# ইনাক খুন্নবগী ফোর্মুলা

## (অহুমশুবা পন্দুপ : Entrepreneur & Entrepreneurship)

– ডা. খুন্দ্রাকপম দেবানন্দা –
এসিস্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট
নোর্থ-ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, তুরা কেম্পস, তুরা, মেঘালয়া
Email: devananda.singh@yahoo.com

ময়াম্বু খুরুমজরি। মমাঙগী চেফোঙশিংদা ঐখোয়না ওইথোকপা য়াবা শিনফম থিবা অমসুং মসি করম্না থিগদগে হায়বগী মতাংদা ইজখ্রে। তাংদাংবদি নৎত্রিবা শিনফম অমা নৎত্রগা অমদগী হেনবা শিনফমশিং, তাঞ্জা অসি য়ৌরকপদা মাঙদা তাদুনা লৈরগনি। অমুক্কা হন্নসু পঞ্জরি মদুদি মীনা তৌনৈ, শেল ফংই হায়দুনা শিনফম অমা হেক্তা হৌবা য়াদে। ঐগা চান্নবা, ঐনা ঙমগদবদুদং খল্লগা তৌগদবনি। মতাংসিদা পনবা য়াবদি খূত্তা তাদুনা লৈরবা শিনফম খরা অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী চান্নবা শিনফম অদুনি খল্লগা তৌগদৌরিবসি। অদুদি মসি করম্না খনগনি। মতাংসিদনি প্রোজেক্ট করিনো খঙবা অমদি প্রোজেক্ট শাবগী মথৌ তারক্লিবসি। অহুমশুবা পন্দুপ অসিদা প্রোজেক্ট হায়বসি করিনো? প্রোজেক্ট অমদা করি করি মচাক য়াওবগে? প্রোজেক্ট অমা শেম্লগা মদুদা য়াওরিবশিংদুগী তুংইন্না থবক পাঙথোকপগী কান্নবা করিনো? ʼঅসিনচিংবশিংগী মতাংদা খন্নগনি।

**অ: প্রোজেক্ট হায়বসি করিনো?**

অখঙ-অহৈ কয়া অমনা প্রোজেক্টকী ৱাহন্থোক (দিফিনিসন) কয়া পীখ্রে অমদি মসিগী মরমদা নৈনখ্রে অমসুং লেপ্পা লৈতনা নৈনরি। অদুবু কনাগুম্বা ইচম চম্বা মীওই অমনা হায়রিবা ৱাহন্থোকশিংসি পারগা নৈনরবদি ৱাখল তাবা ৱাৎলি। মসিগী মরমদি লাইরিক্তা পীরিবা প্রোজেক্টকী ৱাহন্থোক অসি কা হেন্না টেক্নিকেল ওইবা অমদি অতোপ্পা লোন্দা ইবগীনি হায়না লৌজে। ইরমদম অসিদসু ঙসিদি 'প্রোজেক্ট' হায়বা ৱাহৈসি য়াম্না তোইনা শীজিন্নরে। অদুদি হৌজিক অরাইবা লোন্দাদা অমদি মওংদা প্রোজেক্ট হায়বসি করিনো হায়বদু খঙমিন্নরসি।

"করিগুম্বা থবক অমা (এক্টিভিটি), চাওগেরা-পিককেরা, মদুগী -

১) মাঙজৌনবা পান্দম (শিং) [Predefined Objective(s)]

২) মাঙজৌননা খঙদোক্লবা চঙগদবা শেল [Predefined Financial Involvement]

৩) মাঙজৌননা খঙদোক্লবা থবক্তু তৌগদবা মতম [Predefined Time Schedule]

অহুম অসি য়াওবা থবক (এক্টিভিটি) অদুবু প্রোজেক্ট অমনি হায়না ঐখোয়না কৌবা য়াই।"

মথক্কী অহুম অসি শুনা য়াওদবা থবক অদুদি প্রোজেক্ট অমনি হায়না লৌবা য়াদে। খঙদ-উদনা অহুমসিদগী অনীদং নৎত্রগা অমতং য়াওরগা থবক অদু হৌজিল্লুরবদি মায় পাকপা entrepreneur অমা শুকওই ওইবা ঙম্লোই। খুদম অমত্তং পঞ্জগে। মীওই অমনা চেক্কী য়ূম অমত্তং শাগে খঞ্জে। অদুদি য়ূম অমা শাবা হায়বসি হায়রিবা মীওইদুগী প্রোজেক্ট অমনি অমসুং মথক্তা পঞ্জখ্রিবা অহুম অসি তঙাইফদনা খঙদোকপা চাউনা মথৌ তাই। অহুমসিগী মনুংদা অমদা, খরদং শোইবদা য়ূম শাবগী প্রোজেক্টতু লোইশিনবা ঙমলোই। মসিগী প্রমান হায়ববু ঐখোয়না নিংথিজনা লোইশিন্দবা, থোঙনাও ফাওবা পান্দ্রিবা য়ূম কয়াদা ফীভম্না য়াদদুনা লৈশিনবা, শাবা খরা হৌগৎলুরগা লোইবা ঙমদবা নৎত্রগনা য়াম্না চাউনা শাজিল্লুরগা মদুদা কা হেন্না শেল থাদরুবদগী ইমুংগী শেন্মীৎলোন ফরক্তবা অসিনচিংবশিংসি পনবা য়াই।

ঐখোয় খুদিংমক্লা, ইশানা খঙনা নৎত্রগা খঙদনা, প্রোজেক্ট ময়াম অমা পুন্সিসিদা লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্লি। অতোপ্পা খুদম অমদা য়ূমদা নুমিৎ খুদিংগী চাক থোংলিবসিসু প্রোজেক্ট অমনি হায়না লৌবা য়াই। মসিদা চাক থোংবগী মাঙজৌনবা পান্দমশিং, মচাক লৈবদা চঙগদবা শেল অমদি করম্বা মতমদা করি থবক তৌগদগে হায়বসি লোইনা য়াওরি। মরম অদুনা প্রোজেক্ট অমা মশক খঙনা থবক তৌবা হায়বসি থোইদোক্লা অমদি কা হেন্না লুবা ওইদে, তৌবদবু মসিগী মথং মনাও অমদি মওং মরীলদি ঐখোয়না কায়হনবা য়াদে।

মখা তারকপদা প্রোজেক্ট অমদা য়াওরিবা মচাক অহুম অসি তোঙান তোঙান্না নৈনরসি।

১) মাঙজৌনবা পান্দম (শিং) [Predefined Objectives] থম্বা :

ঐখোয়না থবক অমা তৌগে হায়রবদি মদুগী পান্দম অমা নৎত্রগা অমদগী হেনবা পান্দমশিং শোয়দনা লৈগদবনি। পান্দম য়াওদবা থবক্তি মতম অমসুং শেল মাঙলগা তোকপা নত্তনা অতোপ্পা অফবা ফল অমত্তা লৈতে। মরম অদুনা অচেৎপা অমদি ওইথোকপা য়াবা পান্দমশিং থম্বা হায়বসি মায় পাকপা entrepreneur অমা ওইনবগী খোঙথাংনি। অমরোমদা, পান্দম থল্লিবনি হায়দুনা, ওইরোইদবদা, ঐনা ঙমলোইদবদা, অচৌ অচৌবা পান্দম থম্বশিং মায়থীনবগী অচৌবা মরম অমনি। "Think Global, Act Local" হায়বসিনা enterprise অমবু মায় পাক্লবগী ৱাখল্লোন্দা পুশিল্লি। পিক্তক্লা হৌরগা, মদুগী এক্সপরিএন্স অদুনা তপ্না তপ্না অচৌবা ইন্টরপ্রাইজ অমা ওইরকপনা হেন্না খুমাঙ চাওশিনবা ইন্টরপ্রাইজ অমা ওইগনি। মমাঙগী আর্টিকলশিংদসু পঞ্জখ্রে মদুদি পান্দমদমক লৈবা/থম্বা অদুগা থবক্তি ইপাঙ পাঙথোক্তবা মীওই কয়া অমা লৈ। মসি "খোংগ্রাই শৎলিঙৈদা - ষণনা ৱাই" হায়বদুনি। মসি শুকতৌ তৌরোইদবা থৌওং অমনি।

শিনফম-শিনফমগী মতুংইন্না পান্দম খেন্নৈ। মরম অদুনা করি পান্দম অমদি পান্দমশিং থল্লগা মায় পাক্কদগে হায়বসি হেক্তা হায়বা/ইবা ওইথোক্তে। অদুবু কম্মন ওইবা, ইন্টরপ্রাইজ অমনা থম্বা য়াবা পান্দমশিং মখাদা পীরি।

১) শেন্দোং লৈনবগী পান্দম

২) ইন্টরপ্রাইজ অদুদা শীজিন্নরিবা মচাক মথুম অমদি থবক তৌরিবা এমপ্লোয়ীশিংগী প্রদক্টিভিটি লৈনবা পান্দম

৩) কষ্টমরশিংদা অফবা প্রদক্ট অমদি সর্ভিস পীবগী পান্দম

৪) অফবা এমপ্লোয়ী অতোপ্পদা চৎখিদনবা হোৎনবগী পান্দম

৫) শেল লাকপা অমদি চৎপগী মওং চুম্বা (Healthy Cash Flow) পান্দম

৬) খুন্নাইদা হোংলক্লিবা থৌওংশিংগা ইরোয়ননা থবক তৌবগী পান্দম (Dealing with Social change)

৭) হিদান্নরিবশিংদগী (কম্পিটিটরস) মাঙজিল থানবা হোৎনবগী পান্দম অসিনচিংবশিংসিনি।

মখা তাবা আর্টিকলদা, লেমহৌরিবা প্রোজেক্ট অমগী মচাকশিংসিগী মরমদা পামিন্নরসি। অদোমনা আর্টিকল অসি পাবদা কান্নৈ হায়না খনবীরবদি মরুপ মপাং, খঙন চান্নবা মীওইদা স্যের তৌবীয়ু। ময়াম্বু অমুক হন্না খুরুমজরি। ●

---

# মাক্সিম গোর্কীগী 'ইমা'

- সোতিনকুমার -

*"হৌজিক লাইরিকসি (ইমা) অসুক্কী মতিক মরু ওইখ্রে, শিন্মীশিংনা রেভোল্যুস্নরী মুভমেন্টসিদা রেভোল্যুসনগী নুংগী ওইবা পান্দম খঙদনা য়াওরক্লিবসি লাইরিকসি পারবা মতুংদদি মুভমেন্টসিদা য়াওরিবসি করিগীনো হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লগনি"।*

*– ভি আই লেনিন*

মালেমদা ঙাঙনরিবা লোল খুদিংমক্তা খোরিরোলগী লাইরিক (লিটরেচর) খরদি য়ান্নমক মমিং চৎপা লোয়ননা মীওইবা খুন্নাইগী অফবা অওনবা পুরকপদা চাওনা ঈথিল পীবা লাইরিক কয়া মীপুম তিংনা খঙনরি। মাক্সিম গোর্কীগী ইমাসু অসিগুম্বা মীয়ামদা অচৌবা ইনোৎ ইথিল পীখিবা লাইরিক ওইবনা মালেমগী পুৱারীদা অচৌবা মফম অমা কল্লি। লাইরিকসি রসিয়াদা মান্নবা খুন্নাই অমা ভি আই লেনিনগী লমজিং মখাদা কুমজা ১৯১৭ কী ওক্তোবর রেভোল্যুসন মায় পাক্তুনা লিংখৎত্রিঙৈ, চহী তরাগী মমাঙদা (১৯০৭) ইদুনা ফোঙখ্রবসু অহোংবা, অওনবা খুন্নাই অমা লিংখৎনবগী চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদা অহানবা ওইনা অকনবা শাফু পীবা ঙমখিবা লাইরিকনি হায়না শিংথানরি।

কুমজা ১৯০৭ তা রসিয়াদা রসিয়ান লোনদা ইমাগী অহানবা খুৎনম থোকখি। ইমা খুৎথাবা হৌবা মতমদা গোর্কী মশাগী চহী ৪০ মুক শুরদুনা মপুং ফানা মেচিওর ওইরে। হায়বদি অওনবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবদা সাহিত্যকার অমা ওইনা মীয়ামদা করম্বা মখলগী শাফু পীগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লে। রসিয়াদা অওনবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগী খোঙজংদা গোর্কীগী অবদান ওন্থোক্লা চাওখ্রে। চহী ১৫ লেপ্পা লৈতনা মীয়ামদা অকনবা ইথিল পীবা লাইরিক কয়া ইদুনা অমদি অখাকপা লৈতনা খুন্নাইগী থৌগল তৌদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা পুরক্লবগীদমক মপুন্সি কৎথোকখি। ইমা খুৎথাদ্রিঙৈ মমাঙদা গোর্কীসি নোভেল, ৱারীমচা, দ্রামানচিংবা মখল মথেলগী লাইরিক ইবা মীশক অমা ওইনা মালেম শিন থুংনা মমিং চৎখ্রবনি। মহাক্কী পোলিটিকেল এক্টিভিতিশিং লোয়ননা বোলসেভিক্স পার্টিগা নক্লবা মরী থম্বগীদমক্তা মতমদুগী জারগী লৈঙাক্লা গোর্কীবু থেংখাং কয়াদা ফাবা য়াওনা ৱায়েল বীচার চৎখি। অদুবু মাগী পোলিটিকেল এক্টিভিটি হনবা লৈখিদে। কুমজা ১৯০৫গী রসিয়াগী রেভোল্যুসন মনুংদা মহাক্লা ভি আই লেনিনগা উন্নখি অমদি তুং কোয়নবগী চান্নবা মরুপ ওইখি।

১৯শুবা চহীচা লোইরমদাইদা রসিয়াগী মীয়াম্না হিংলিবা নে-তাদ্রবা পুন্সি, লাইর-ইনাক খুনবা অনীগী খেন্নবা কয়াসি হকথেংননা নৈননবগীদমক গোর্কীনা চাওখ্রবা লৈবাকসিগী কাচিন কোয়া শিন থুংনা চৎতুনা মনুং ফাওনা খঙনবা হোৎনখি। খোঙনা চৎতুনা মরৈবাক মরমদমগী লোইবা নাইদনা শন্দোকখ্রিবা ঙমখৈ, মখল মথেলগী নিং থিজরবা মহৌশাগী ফজবশিং চীং, পাৎ, তুরেলনচিংবা উরুবদা ঙমখৈ লৈতনা হরাওখি। অদুবু মরৈবাকমচাশিংগী শিংথাদুনা লোইররোইদবা অৱাবশিং-লাইরবা, লাইরিক ময়েক চৎতবা, হিংনবগী লানফমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া উরুবদা ওন্থোক্লা ৱাখি।

ওক্তোবর রেভোল্যুসন মমাঙগী ওইরম্বা সমাজিক অবস্তাদা য়ুন্ফম ওইদুনা ইবা অইবসি গোর্কীনা অহানবা নত্তে। তুংগী নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়বা খুন্নাই অমগী শক্তম শৈথাদুনা ইবা কবি কয়া অমনা জারগী মীওৎ মীনৈগী মায়োক্তা হৌখিবা কুমজা ১৮২৫, দিসেম্বর ১৪ গী ঈহৌদা শরুক য়াখ্রবনি। মতমদুদি, মমিং লৈনা অইবশিং পুস্কিন, লের্মোনতোভ, তোলষ্টোইনচিংবনা মতিং লৈনা মতমদুগী খুন্নাইগী ফিভম ইথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহন্নবা হোৎনখি। তোলষ্টোইনা মাগী মমিং চৎলবা নোভেল 'ৱার এন্দ পিস' রেভোল্যুস্নরী থিমদা য়ুন্ফম ওইরগা ফোঙখি। অসুন্না ১৯শুবা চহীচাগী ময়াই চল্লকপা মতমদগী ২০শুবা চহীচা হৌরকপা ফাওবদা সোসিও সাইকোলোজিকেলদা বেজ তৌবা নোভেল কয়া পুস্কিন, লের্মোনতোভ, গোনচারোভ, তোলষ্টোই, দোষ্টায়েভস্কিনচিংবনা ইদুনা ফোঙদোরকপনা রসিয়াগী লিটরেচর অসি মালেমগী মীয়াম্না য়ান্না পান্নবা অমা ওইরকখি।

গোর্কী মশানসু মাগী লিটরেরী ৱার্ক কয়াসি মহাক্কী মমাংগী মীরোলগী অইবশিং, মরু ওইনা তোলষ্টোই অমদি চেকোভকী খুৎইদগী ফাওখিবা ইথিলদা য়ুন্ফম ওইরগা শাগৎপনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু ক্লাসিকেল রসিয়ান লিটরেচরগী ত্রেদিসন ঙাক্লা ইরবসু গোর্কী ইনোভেটর অমনি। মাগী তোপ তোপ্পা খুৎইবু শৈথারদুনা মতমদুগী অফাওবা অইবা তোলষ্টোইনা অসুন্না হায়- গোর্কীসি ক্লাসিকেল অমদি রসিয়ান লিটরেচর অনীগী তাইনফম 'থৱায়পানবা অহিংবা থোংনি'। ঙসিদি মীয়াম্না গোর্কীবু ক্লাসিকেল রাইটরশিংগী মরক্তদি পুস্কিনগী হেক মথংদা য়েৎনবা লৈতনা থম্লে। পুস্কিনদগী হৌরগা চেকোভ ফাওবা মমিং লৈরবা রসিয়ান অইবশিং অসিনা মতমদুগী রসিয়াগী খুন্নাইগী শক্তম তাকপদা নত্তনা মপুমদা মীচম মীয়াম্না হিংলিবা পুন্সি মহিংদা অচৌবা ৱাহং অমা হংবদুনা পুন্সিদা থেংনরিবা অৱাবগী পল কয়াদুনা অপাবশিংগী থম্মোয় হুমদুনা পুরিবনি। মমিং লৈরবা অইবা দোষ্টোয়েৎস্কি অমদি টর্গেনেভ কুনশুবা চহীচা লানশিন্দ্রিঙৈদা লৈখিদ্রে। টোলষ্টোইসু মাগী মমিং লৈরবা নোভেল আনা কেরেনিনা কুমজা ১৮৭৭তা ইদুনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদগীদি মথংগী নোভেল 'রিশরেকসন' লোইশিনবদা কুইনা চঙখি। অদুগা চেকোভসু দ্রামা, ৱারীমচা য়ান্না ইরবসু নোভেলদি খুৎ থারমদ্রে।

ইমাদা গোর্কীনা য়েকলিবা চরিত্রসি রসিয়াগী ত্রেদিসনেল নোভেলদা য়ুন্ফমদি ওইরগা অচৌবা লৈহাও অমদা শাগৎলকপনি। ৱার্কিং ক্লাস (শিন্মী) না মীওইবা খুন্নাইদা মীনাই য়োৎহিং থদৎতুনা মান্নবা খুন্নাই অমা শেমগৎপগী পাঙ্গল, শক্তি পুন্নমক লৈ হায়বসি ময়েক লানা উৎথোকপনি। অসুন্না গোর্কীনা ইমাদা শিন্মীনা মাঙজিল থানা চোংথোক্তুনা লুচিংবগী শক্তম লৌরকপগী চরিত্র ময়েক লানা শাগৎতুনা তুংদা লাকখিবা ৱার্কিং ক্লাস মুভমেন্টশিংদা অচৌবা শাফু পীরগদবা ইনৌ নৌবা নোভেল মখল অমা মীয়ামদা খুদোল তমখি।

তৌবগীদি গোর্কীনা ইমা ইবা হৌদ্রিঙৈদা অতৈ অইবশিংনসু শিন্মীগী চরিত্রশিং মখোয়গী নোভেলশিংদা ইদুনা ফোঙনখ্রবনি। খরদং পল্লবদা চালর্স, জর্জ্জ ইলিয়টনচিংবা মমিং লৈরবা বৃটিশ অইবশিংনসু মখোয়গী ৱারী লাইরিকশিংদা মতমদুগী বৃটিশ খুন্নাইদা ৱার্কিং ক্লাসকী মীয়াম্না থেংনরিবা অৱা-অনা, ওৎপী নৈবীবা কয়া মরিক চুন্না পাউদমখ্রবনি। মতমদুগী অতৈ অইবশিংগা গোর্কীগা খেন্নরিবসি অতৈগীনা ৱার্কিং ক্লাসকী মীওইশিংদা ইনাক কৈরাক খুনবা অচৌ অশাংশিংনা তোন্থবা মীৎয়েংদা য়েংবীবা, মখোয়গী লোইনাইদ্রবা অৱা-অনাশিং, করিসু তৌবা ঙমজদবদু উৎতুনা ইবনি। গোর্কীগীনা সোসিয়েল ইনজষ্টিসকী মায়োক্তা শিন্মীশিংনা থৌনা লৈনা হৌদুনা অওনবা পুৱারী অমা শেম্বদুনি। অসিগুম্বা মখল তোপ তোপ্পা খুৎই অসিদদি গোর্কীনা লময়ানবনি হায়না লৌনরি।

অইবা অমা ওইনা গোর্কীগী কেরিয়ার য়াম্না শিংথানিংঙাই ওই। অইবা অয়াম্বা মমিং চৎপা অমা ওইরকপদা মতম চঙই। অদুবু গোর্কীদি মানা খোরিরোলদা খুৎথাবা চহী তরা ফাদ্রিঙৈদা মালেম শিন থুংনা মমীং চৎখ্রে। মহাক্কী মতমগী অইবশিং ইবসেন, বর্নাদ শো, এড়াতোলি ফ্রান্সিসনচিংবদগী মাগী মীংচৎনা হেন্দোকখ্রে। মাক্সিম গোর্কীনা খুন্নাইদা য়াম্না তোন্থবা থাক্তগী হৌরক্তুনা অঙাং ওইরিঙৈ, ইনখৎলকপা অমদি মপুং মরৈ ফারক্লবা ফাওবা অৱা অনাগী পলশিংদু থৌনা লৈনা লান্থোরক্লবা হোৎনখিবদুনা পুরকখিবা মহয়নি হায়না লৌবা য়াই। কুনশুবা চহীচা হৌগৎলকপদদি মীওইবা খুন্নাইনা থেংনরিবা মশিং থিঙমদ্রবা হিংনবগী লানফম কয়াসি কোক্লবগী পাম্বে পুথোক্তুনা ইরক্কদবা মীশক্তু গোর্কীনি হায়না মীয়াম্না লৌনরকখি। লোয়ননা শাংলবা চহী হুমফুতরা চুপ্না গোর্কীনা ইথোরকপা লাইরিকশিং মীপুম তিংনা পান্নখি। মসিগী মরমদি কুনশুবা চহীচা লানশিল্লকপদগীদি শিন্মীশিংগী ঈহৌ লৈবাক লৈবাক্তা কনখৎলক্তুনা পুৱারীগী লিকলম থৈবা হৌরক্লে। ইমাদা গোর্কীনা শিন্মীশিংগী চরিত্র য়েকপদা অশেংবা পান্দম, অওনবা পুরক্লবগীদমক কথোকপগী অয়ৌবী থাক ইচম চমজনা ইমুংগী কুপনোম শুদুনা মপুরোইবগী খোনথি, অওৎ অনৈ তাদুনা চহী নিম্ফু শুজিনখ্রবী ইমানা মীয়ামগীদমক অখাকপা লৈত্রবা থৌনাগা লোয়ননা মচা পাভেল অমদি মাগী কমরেদশিংনা ফংগে তাল্লিবা পান্দম য়ৌনবা চঙশিনখিবা পুন্নমকসি অইবনা কয়াদা মচা খায়না, মরিক চুন্না থৱায় পালহন্দুনা মীৎমাঙদা পুথোকপা ঙল্লিবা। অদুবু ইমাসি গোর্কীগী খুৎমাবা লাইরিক নত্তে। তপ্না তপ্না মাগী খুৎইদা শিন্মীশিংগী ওইবা ৱারীদা য়ুন্ফম ওইবা লাইরিক ইমা পুথোরকখিবনি। ১৯শুবা চহীচানা লোইশিল্লকপা অদুগা কুনশুবা চহীচানা হৌগৎলকপগী লংদাইসিদা গোর্কীনা ইমাগী থিম অমদি লাইরিকসিগী হিরো পুক্লিংদা লাকশিনবা ঙমখি। মহাক্কী পিকতক্লা ইখিবা নোভেল 'দি থ্রি' অমদি প্লেশিং 'দ থ্রি' অমদি প্লেশিং 'দ ফিলিষ্টিনস' অমসুং ইনেমিজ' দা সোসিয়েলিজমগী ৱাখল্লোন চেনবা শিন্মীশিংগী চরিত্রশিং শাগৎখ্রবনি।

কুমজা ১৯০৫গী রুসিয়ান রেভোল্যুসন্না গোর্কীনা অইবা অমা ওইনা মীং চৎলকপদা চাওনা তেংবাংখি। রেভোল্যুসনসি প্রোলেটরিয়েটশিংনা হৌখিবনি, রেভোল্যুসনসিদা মখোয় চাওনা মায়থিখি। অদুবু মাইথিবসিদগী মখোয়না অচৌবা পরা অমা তমখি মদুদি প্রোলেটরিয়েটশিংসু বুর্জ্জুৱাশিংদগী লৈঙাক সাসনগী শক্তি মুন্দুনা লৈবাক ঙাকপা ঙম্মী হায়বা।

কুমজা ১৯০৩, রসিয়ান রেভোল্যুসন হৌরমদাইদগী কন্না শেম শান্নরপা মতমসিদা গোর্কীনা ইমা ইবা হৌখি লোয়ননা নোভেলসি মানা ইরম্বশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না শিংথানিংঙাই ওইবতা নত্তনা মালেমগী মমিং লৈরবা নোভেলশিংগী মরক্তসু ধুর্বতরাগুম তোমথিন ঙানখি।


ইমাগী প্লোটসি তশেং তশেংনা থোকখিবা থৌদোক মতমদুগী রসিয়াগী সোরমোভোদা কুমজা ১৯০২ দা শিন্মীশিংনা শিন্দুনা মে দে রেল্লি চৎখিবা, সোরমোভো পার্টি ওর্গনাইজেসনগী এক্তিভিটিশিং, মে দে দেমোনষ্ট্রেসন লোইবগা পার্টি মেম্বরশিং লৈঙাক্লা ফাজিনখিবা কয়াসিদা য়ুন্ফম ওইরগা শাগৎপনি। গোর্কী মশামক্কী ৱাহৈদা 'শিন্মীশিংগী মরমদা লাইরিক অমা ইনিংবগী ইথিল সোরমোভো দেমোনষ্ট্রেসন মতুংদা ঐনা নিজরিবা নোভেগোরোদতা লৈরিঙৈদা ফাওখিবনি। থুনমক ঐনা ইননবগী মচাক খোমজিনবা লোয়ননা মরু ওইবা পোইন্ট কয়া নোট তৌশিনবা হৌখি'। তশেংবমক গোর্কীগী ইমা হিষ্টোরিকেল নোভেলনি। ইমাদা শিজিন্নরিবা ৱাহৈ ৱাতা, থৌদোক ৱাথোক, মফম-মতম চরিত্রশিং শাগৎপদা অইবনা হেন্না চুশিন্নগদবা মওংদা ইথোক্লবসু নোভেলসিগী মরু ওইবা রোল লৌরিবা পাভেল অমদি মমা নিলোভনা সোরমোভোদা লৈবা নহা ওইরিবা শিন্মী পায়োটর জালোমোভ অমদি মাবু পোকপী মমা আনা কিরিলোভনাদা য়ুন্ফম ওইরগা শেমগৎপনি। ইমাদা মপুং ওইনা উৎলিবসি কুমজা ১৯০৫গী রসিয়ান রেভোল্যুসন থোক্লমদাইদা শিন্মীশিংনা মখোয়বু ওৎ নৈরিবা কাঙবুগী মথক্তা হৌরক্তুনা অনৌবা অওনবা খুন্নাই অমগীদমক চঙশিল্লকপদুনি।

লাইরিকসিদা গোর্কীনা য়েক্লিবা পাভেল (পায়েটর) গী চরিত্রসি মাগী লৈবাক্কী (রুসিয়া) শিন্মীশিংগী মরাইবক্কীদং খনবদু নত্রে, মানা মালেমসিদা লৈরিবা শিন্মীশিংবুসু অমত্তা ওইনা কোনশিল্লি। পাভেল মরৌশিং লৈবা, চঙশিনগদবা লরাইগী পোমিৎ উনা পোরম শিনবা ঙম্বা, মশাগী অনিংবদা থবক পাঙথোক্তবা, খ্বাইদগী অৱাংবা আর্দশকা লোয়ননা মীয়ামগীদমক খন্না থবক তৌবা শিন্মী নহা অমগী শক্তমনি। অইবনা ইমাদা উৎলিবসি শিন্মীশিংনা (ৱার্কিং ক্লাস) হেন্না ফবা রসিয়ান খুন্নাই অমা শেমগৎনবগীদমক থৌনা লৈনা হৌরকপা অদুনি। মপুংদা শিন্মীশিংনা মখোয় মশাগী মরু ওইবা খঙলকপা লোয়ননা কাঙলুপকী লান (ক্লাস ষ্ট্রগল) দা মপুং ফানা শরুক য়ারকপগী ফজরবা শক্তম অমা শাগৎপদুনি। রসিয়ানশিং মরু ওইনা ৱার্কিং ক্লাসকী মীওইশিংদা লাইরিকসিনা পীখিবা ইথিলগী মরমদা ভি.আই লেনিনন্না অসুন্না হায়,– 'হৌজিক লাইরিকসি (ইমা) অসুক্কী মতিক মরু ওইখ্রে, শিন্মীশিংনা রেভোল্যুস্নরী মুভমেন্টসিদা রেভোল্যুসনগী নুংগী ওইবা পান্দম খঙদনা য়াওরক্লিবসি লাইরিকসি পারবা মতুংদদি মুভমেন্টসিদা য়াওরিবসি করিগীনো হায়বা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লগনি।'

রুসিয়াগী মমিং লৈরবা অইবা তোলষ্টোইগী ৱাহৈদা লাইরিক অমা ইবদা লাইরিক্তুগী চরিত্র অমগা অমগা পুনশিন্নদুনা মপুং মরৈ ফারবা প্লোট অমা শাগৎপদা অইবা মশাগী মোরেলগী থাক য়ান্নমক মরু ওই। গোর্কীনা মসি ইমাগী মরু ওইবা চরিত্র ওইনা য়েক্লিবা হেরোইন নিলোভনাদা ফোঙদোক্লবা হোৎনৈ। লাইরিকসিগী হৌরকপদা হিরোইন নিলোভনাগা অতৈ শিন্মীশিংগী মমাশিংগা খেন্নবা উদে। মাসু মশাগী মপাঙ্গল ফুদোক্তুনা য়ুমগী অকুপ অতা শুজ-নোমজরিবা, মপুরোইবনা কারখানাদগী হল্লক্লগা অথিবা ৱাহৈ ৱাতানা চৈবীবা, ফুবীবা কয়া লোন্না থম্মোয়দা কনাদসু খঙহন্দনা মৈচাক খাংদুনা লৈবা, অসিগুম্বা পুন্সি মরেল অসি মচানুপা পাভেলনা থুগায়দুনা শিন্মীশিংনা খুন্দারিবা মফমদুদা অওনবা পুরক্লবগীদমক রেভোল্যুস্নরি ওইরকখিবা অমদি ইমানা মচাগী রেভোল্যুস্নরি এক্টিটিটিশিংদা থৌনা লৈনা চোংথোরক্তুনা শরুক য়ারকখিবা, ৱারীগী প্লোটসিদা নিলোভনা (ইমা) গী ট্রানজিসন (হোংলকপা) ইচম চমজবী শিন্মী নুপী অমদগী শিন্মীশিংগী লানদা অকি-তুজুংবা য়াওদনা থৌনা লৈবী মাঙজিল থাবী রেভোল্যুস্নরি অমগী শক্লোন লৌরকখিবা, পাভেলগী মরুপশিং (কমরেদ ইন আর্মশিং) নসু মঙোন্দা ইমা মিংগৌনবা, মানসু পুন্নমকপু চপ মান্নবা রেভোল্যুস্নরিশিং অসিনা জাৎ-বিজাৎ খায়দনা কাঙলুপকী লানগীদমক থেংনরিবশিংবু মচিন মনাও ওইবগী ৱাখল চেলহনবা (য়ুনিভর্সেল ব্রদরহুদ)। লাইরিকসিগী মরু ওইবা চরিত্রশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা পাভেলগী খ্বাইদগী চান্নবা মরুপ আন্দ্রে নাখোদকাগী ৱাহৈদা 'ঐখোয় পুন্নমক ইমা অমতগী মচানি, ঐখোয় খুদিংমক্লা মালেমদা লৈরিবা শিন্মীশিং লোইনমক ইচিন ইনাওনি হায়না চেৎনা থাজে'। লাইরিকসিগী অতোপ্পা চরিত্র ওইরিবা নহা ওইরিবা লৌমী রাইবিনসু 'মঙোন্দা ফাওরিবা অমত্তা ওইবগী ৱাখল পোল্লকপসি য়াম্না নুংঙাইনিংঙাই ওই। মীয়াম অমসু ঐনা পামজনা চঙশিল্লিবা লম্বীসিদা চপ মান্ননা চৎনিংলকপা উবদা ইশাদা মীনুংশি লৈবা হেঙ্গৎলকই।'

লোইশিঞ্জরকপদা গোর্কীনা ৱার্কিং ক্লাসতা য়ুন্ফম ওইরগা ইখিবা নোভেল ইমা-মসিদা মীওইবা খুন্নাইদা মীগা মীগগী মরক্তা লৈনরিবা মরী ফগৎহনবদা শিন্মীশিংনা লৌরিবা থৌদাং, লৈবাক অমা খুন্নাই অমগী লৈঙাক সাসনদা অফবা অওনবা পুরকপা রসিয়াগী শিন্মীশিংনা কথোকপগা লোয়ননা কদায় ফাওবা তৌবা ঙমখিবগে উৎপদা নত্তনা মালেমগী মশীং য়াম্লবা শু-নোম্লিবা মীয়ামবু পুন্না কোনশিল্লবা লাইরিকনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মণিপুরীদা পুথোকচরিবা গোর্কীগী ইমা অসিনা অফবা অওনবা লৈঙাক অমগীদমক থৌনা লৈনা চোংথোরক্লিবা ইরৈবাকচাশিংদা অচুম্বা লম্বেল পীবদা খরতা ওইরবসু মতেং পীবা ঙম্লবদি হোৎনজবগী মহয় য়াল্লে হায়না লৌজগনি। ●

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা চানা মরূমুক চাওবা অমসু পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা অমদি শাবা তৌবা, খোঙ অকনবা ওইনা হান্নগা লোইনা হামদোকপা য়াদবা, অমাংথোঙ মপান্দা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্তৎচবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা মরম ওইদুনা মরক-মরক্তা খোঙ হাম্বদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অদুগা ঈ তাবা অদু লেপখিবা, শা-ঙা চারগনা ঈ অমুক তারকপা, শা-ঙা চাদ্রিমখৈদি ঈ তোয়না তারকপা, অমাংথোঙ ময়াদা চানা মরূমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান ময়াদসু চানা মরূমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবগুম তৌবা, অমাংথোঙ চিকপা-নাবা অমদি শাবসু তৌবা, অমাংথোঙদু য়াম্না নুংঙাইতবা চিকপা-নাবা অমদি শাবা তৌবা অদুনা মরম ওইদুনা খোঙ হাম্বা মতমদা অকনবা ওইনা হান্নগা লোইনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ লোইনা হামদোকপা য়াদবা অদুনা মরম লইদুনা হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাবা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ চৎলু য়াদবা, থবাকলোমদা হাইগৎপা, পূকচেপ নাবা, য়েৎকী পূকচেপ নাবা, খোঙ হাম্লিং-হাম্লিং তৌরগা লৈরগা খোঙ হাম্বনা য়াদবা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্তৎচবা, নুমিদাং তুম্লমদাইদা অমাংথোঙদগী তিনকুপ থোক্লকপা, কাময়া অনীমক চিকপা-নাবা, ঈশিং চৎপদা ঈশিং মরীদা শাবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6914/14 *থাগৎচরিবা :* **W. Ronaldo Singh, Langol**